# নেরোকা এফ সিনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে

## য়ু এস এ অমসুং ক্রুগপু ষ্টেট লীগতগী রিলিগেট তৌরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা নেরোকা এফ সি অমুক্তা মায়থীবা য়াওদনা পোইন্ট ২৯ ফংদুনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে। মমিং লৈরবা টিম অনী য়ু এস এ খুরাই অমসুং ক্রুগপু নম্বোল ষ্টেট লীগতগী রিলিগেট তৌরগনি।

লমদমসিগী মপাঙ্গল কল্লবা অমসুং মমিং লৈরবা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নিশা থাংমৈবন্দ অমসুং নেরোকা এফ সি মায় পাক্তুনা নোক আউটকীদমক শেম শাখ্রে। অদুম ওইনমক মেচ মায়থীহৌরবা ক্রুগপু নম্বোল ষ্টেট লীগতগী মপান থোকখিবগা লোয়ননা এস এস য়ু ষ্টেট লীগকী নোক আউট চঙবা ঙমগদ্রা ঙমলোইদ্রা হায়বা অরুবা ফীভমদা লৈরি।

চথরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী মেচ অনী হয়েং শান্নদুনা লোইশিল্লগনি। হয়েং ফাওবগী মনুংদা লীগকী টেবলদা করম করম্বা টিম্না মকোক মথংদা লৈদুনা নোক আউট ষ্টেজ চঙবা ঙমগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা নিশা থাংমৈবন্দনা এস এস য়ু শিংজমৈ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা নিশা পোইন্ট ২১ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা অদুমক লেংদনা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মেচ মায়থীহৌরবা এস এস য়ু শিংজমৈ পোইন্ট ১০ ফংদুনা ৯ শুবা মফমদা লৈরি। এস এস য়ু থোইদোক হেন্দোক্না লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমনি। অদুবু ষ্টেট লীগকী নোক আউট বেসিসতা এস এস য়ু চঙগদ্রা চঙলোইদ্রা হায়বা হয়েং খঙলগনি।

নিশা অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা করিগুম্বা এস এস য়ু মায় পাক্লম্লবদি নোক আউট ষ্টেজদা শুংশোয় শোয়দনা চঙবা ঙম্লমগদবনি অদুবু ঙসি মায়থীখিবা অসিনা টিম অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইখি।

নিশা থাংমৈবন্দ ঙসিগী মেচ অসি মায় পাক্লবসু পাক্ত্রবসু অদুমক নোক আউট ষ্টেজ চঙদুনা লৈরবনি। মেচ অদুদা নিশা থাংমৈবন্দগী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা শাহাবাজনা চনখি।

এস এস য়ু শিংজমৈগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক ফনা কন্না শান্নজরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা নিশাগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা নিশাগী শান্নরোয় এন জি প্রেম মেচকী ৬৩ শুবা মিনিটতা অদুগা এল মিলন মেচকী ৭৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা নেরোকা এফ সিনা ক্রুগপু নম্বোল গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা নেরোকা এফ সি অমুক্তা মায়থীবা য়াওদনা পোইন্ট ২৯ ফংদুনা লীগকী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরিবা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং চেকশিন্না শান্নদুনা ক্রুগপুগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। নেরোকা এফ সিগী ফোরেন প্লেয়র ইজিগৌ চিনেদু ইমানুএলনা গোল অহুম মেচকী ১২, ৪৭ অমসুং ৮৮ শুবা মিনিটতা চনখি। এম গোবিন্দনা গোল অমা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

চথরিবা ষ্টেট লীগ অসিগী হয়েংগী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবা মতমদা এইম অমসুং ত্রাওগা শান্নগনি। অনীশুবা অমদি অরোইবা মেচ নুংথিল পুং ২.১৫ তাবা মতমদা ক্লাসা অমসুং য়ঙ ফিজিক্কা শান্নগনি।

# ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্টকী নুপীমচাগী মেচতা সাই, নুপামচাগীদা মৈরা অমসুং হোকি য়ুনিয়ন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ ঃ

মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা নুপাগী টিম তরেৎ অমসুং নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা তরেৎশুবা অন্দর ১৬ মেন'স এন্দ ৱিমেন ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেচতা সাই গুৱাহাটি মায় পাকখ্রে। নুপামচাগী মেচতনা মৈরা বাসিখোং অমসুং হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় মায় পাকখ্রে।

থা অসিগী ১৬ ফাওবা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেচতা সাই গুৱহাটিনা ফার্ম ইম্ফাল গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সাই গুৱাহাটিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা টিমদুগী গোল মঙামক মথং মথং চনশিনখি। টিমদুগী গোলশিং অদু মুনমিদাসনা গোল অমা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি। বিজোয়া বোদ্রোলোয়না গোল অমা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা, মেক্সিমা জালসোনা গোল অনী মেচকী ২৯ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা অদুগা বোবি কর্মাকরনা গোল অমা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী অহানবা মেচতা মৈরা বাসিখোংনা ফার্ম ইম্ফাল গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মৈরা বাসিখোংগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ফার্মগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। মায় পাক্লবা মৈরাগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় এস য়ঙশন্না গোল অনী মেচকী ৪ অমসুং ৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ঐচ থোংলেন্না গোল অনী মেচকী ১৫ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ঐচ জেমসনা গোল অনী মেচকী ৩২ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী অনীশুবা মেচতা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় গোল ৮-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা হোকি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু এ সুরেসনা গোল অহুম মেচকী ২, ৯ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ঐচ মালেমঙানবনা গোল অনী মেচকী ১৪ অমসুং ১৭ শুবা মিনিটতা চনখি। এম পুর্নজিৎনা গোল অমা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা, দব্লিয়ু নিরজকুমারনা গোল অমা মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা অদুগা এল দেবকান্তনা গোল অমা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা সিয়োগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন হেরোজিৎনা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। হয়েং অহানবা মেচ নুমিৎয়ুংবা মতমদা নুপামচাগীদা সিয়ো শিংজমৈ অমসুং ৱাই সী সী আই সীগা শান্নগনি। নুপীমচাগী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১.১৫ তাবা মতমদা সাই অমসুং সিয়ো অদুগা অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা আইদিএল ক্লব তেরা অমসুং ৱাই সী সী আই সীগা শান্নরগনি।

# ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ ৱিন্নরস কপ্তা লাক্তবদগী সী সী মীট য়াওররোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ ঃ

লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা অমদি লেমজনিংঙাই ওইরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সুপর দিভিজন লীগ চেম্পিয়ন ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ শরুক য়াররোই।

ববিনা হেলথ ক্যের অমসুং হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথরিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২১ শুবা ৱিন্নর্স কপ ২০১৬ তা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ অনীনা তাকয়েল পাৎতা লৈবা সাই আর সিগী গ্রাউন্দদা শান্নগদবা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী হোম গ্রাউন্দগী মেচ অদুদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ লাকখিদবা মরম্না ৱিন্নসর কপ্তুগী লৌথোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বর ২ দা শান্নগদবা মেচ অদুদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ লাকখিদবা অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী একজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা মুন্না খন্নরবা মতুং মেচ অদু রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা ৱর্ক ওভর পীখিবগা লোয়ননা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৬০ শুবা সী সী মীট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা শরুক য়াহন্দবা হায়নসু ৱারেপ লৌখ্রে।

মখা তানা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ টুর্নামেন্ট অসিবু মশক থিহন্নবা হোৎনখিবা থৌওং অদুগীদমক্তা লুপা লিশীং ৩০ গী ফাইন থিনবা খঙহনখ্রে। হায়রিবা ফাইনগী শেনফম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীগদবনি।

বিষ্ণুপুর সুপর দিভিজন লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা লাক্কদৌরিবা সী সী মীট অসিদা শরুক য়াদবা হায়বসি টিম অসিগী চাউনা অমাঙবা অমনি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা টিম অসিদা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবসু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না খঙহনখ্রে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।







Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3374/8/10/11



HL-B/3447/5,8,11,14,17,20,23,26,29,2




